চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

# মঙারক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা স্পেনগী বর্সেলোনাবু জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিকনা পাঞ্জল ৮-২দা চাওনা মায়থীবা পীদুনা সেমি য়ৌখ্রে



লিজবোন, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট টাইটল মঙারক লৌবা ঙমখ্রবা স্পেনগী বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবপু জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিকনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা কুমজা ২০১৯-২০গী চেম্পিয়ন লিগকী ক্বার্টর ফাইনেলদা য়াম্না চাওনা পাঞ্জল ৮-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মখোয়না ঙসি অথেংবদা ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং ফ্রান্সকী ক্লব লিওনগী অথোইবা অদুগা সেমিফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

পোর্টুগালগী সিটি লিজবোনদা লৈবা ষ্টেদিয়ম লুজদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল চন্নবা ঙমখি। শুপ্নগী ৪শুবা মিনটতা খোঙজেল য়াঙনা পুশিল্লকখিবা বেয়র্ন ম্যুনিককী এটেক অমদা লিগ অসিগী টোপ স্কোরর ওইরিবা লিৱানদোস্কিনা পাস তৌরকপা বোল অমা ষ্ট্রাইকর থোমাস ম্যুলরনা একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি।

স্পেনগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগী অথুবদা কাউন্টর এটেক অমা ফংদুনা বেয়র্ন ম্যুনিককী পেনাল্টি এরিয়া য়ৌশিল্লকখি। বোল অদু ঙাকথোকখিননবা জর্মনিগী ক্লব অদুগী দিফেন্দর দেবিদ অলাবানা হোৎনখিবা অদু মঙোন্দগী থকচিনখিদুনা বর্সেলোনাগী ইক্বেলাইজর অদু ওইহনখি। পাঞ্জল অমমম্ মান্নরবা মতুং অহানবা হাফ অদুগী মখা তাবা শান্নরকপা অদুদা বেয়র্ন ম্যুনিককী এটেকশিং অদুদা বর্সেলোনাগী শান্নরোয়শিং অৱাবা কয়া নংখি।

২২শুবা মিনটতা ম্যুনিককী মায়কৈদগী সর্জে নাব্রিনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট ইভান পেরিজিকনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। মদুগী মতুং ২৭শুবা মিনটতা নাব্রিনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী জোস্বা কিমিসনা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ম্যুলরনা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা বেয়র্ন ম্যুনিকনা বর্সেলোনাবু পাঞ্জল ৪-১দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী অলবানা পীরকপা বোল অমা লুই স্বারেজনা ৫৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুবু মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী হাফ অদুদা চনশিল্লকখিবা মখা তাবা পাঞ্জল মরি অদুগী লম্বা পীবা ঙমখিদে। জোস্বা কিমিস, রোবর্ট লিৱান্দোস্কি অমদি ফিলিপ কোটিনোনা পাঞ্জল ৪ নৌনা চনশিন্দুনা বর্সেলোনাবু ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ৮-২দা থোইরগা সেমিফাইনেল চঙখিবনি। ম্যুলর অমসুং কোটিনোনা মেচ অদুদা পাঞ্জল ২/২ চনবা ঙমখি।

## চহী ১৫গী মতুংদা মেসি অমসুং রোনাল্ডো চেম্পিয়ন্স লিগকী সেমি ফাইনেলদা উবা ফংলরোই

মালেমদা মীয়াম্না ফুটবোল মশান্না অসিদা মশক মুন্না খঙনরবা অর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসি অমসুং পোর্টুগাল মচা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো চহী ১৫গী মতুংদা মখোয় অনীমক অহানবা ওইনা চেম্পিয়ন লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমিফাইনেলদা উবা ফংলরোই।

অমরোমদা, কুমজা ২০০৬-০৭ সিজনগী মতুংদা অহানবা ওইনা স্পেন লৈবাক্কী ফুটবোল ক্লব অমত্তা সেমিফাইনেলদা য়ৌবা ঙমদবা অসি চৎলিবা সিজন ২০১৯-২০না অহানবা ওইরগনি।

মেসিনা শরুক য়াবা বর্সেলোনাগী টিম ঙরাং ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিকনা থোইরম্বনি। অমরোমদা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা শরুক য়ারিবা ইটলিগী ক্লব জুবেন্টসনা প্রিক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী ক্লব লিওনগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ২-২দা মান্নরবসু অৱে গোলদা লৈহৌবনি।

# জোসুৱা ছেপটেজৈনা মিটর ৫০০০গী লমজেলদা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে




মোনাকো, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চহী অসিগী মার্চ ময়াই চল্লকপদগী হৌরগা মালেমগী মফম খূদিংমক্তা শান্নবগী ইভেন্টশিং লেপ্পুনা লৈরক্লবা মতুং মফম খরদা লাইচৎ অসি শন্দোকপা হন্থরকপদগী লেপ্লুরবা ইভেন্টশিং খরা-খরা শান্নরকপগী মনুং চন্না এথলেটিককী ওইনা মোনাকোদা দাইমন্দ লিগ কম্পিটিসন পাঙথোকপদা য়ুগান্দাগী এথলিট জোসুৱা ছেপটৈজৈনা নুপাগী মিটর ৫০০০গী লমজেলদা চহী ১৬শুরবা রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমখ্রে।

জোসুৱা ছেপটৈজৈনা মিটর ৫০০০গী লমজেল অদু মিনট ১২:৩৫.৩৬তা চেন্দুনা কুমজা ২০০৪দা ইথোপিয়াগী এথলিট কেনেনিসা বেকিলিনা থম্লম্বা মিনট ১২:৩৭.৩৫গী রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমখিবনি। কুমজা ১৯৯৯গী সেপ্টেম্বর থাদা কাটারগী সিটি দোহাদা পাঙথোকখিবা এথলেটিক কম্পিটিসনগী মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা গোল মেদল ফংখ্রবা মতুং মহাক্কী পর্ফোর্মেন্সতা অহেনবা কয়া লাকপা ঙমখি। নুপীগী হাইজম্পতা য়ুক্রেনগী য়ারোস্লাভা মাহুচিকনা মিটর ১.৯৮ চোংদুনা মকোক ওইখি। অদুগা নুপীগী ট্রিপল জম্প অদুনা ভেনিজুৱেলাগী য়ুলিমর রোজাসনা মিটর ১৪.২৭তা গোল্ড ফংখি।

মোনাকোদা পাঙথোকপা দাইমন্দ লিগ এথেলেটিক কম্পিটসন অসিগী মাংওইননা নোরৱেগী সিটি ওস্লোদা চহী অসিগী জুন থাদা অমদি জুলাই থাদা স্বিজরলেন্দগী সিটি জ্যুরিকতা এগজিবিসন ইভেন্টশিং পাঙথোক্লবা মতুং ইন্টরনেসনল এমেচর এথলেটিক ফেদরেসননা ওফিসল ওইবা কম্পিটিসন অদু দাইমন্দ লিগ অসিনা ওইরিবনি। মমাংদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা সিটি ৬তা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা দাইমন্দ লিগকী সেদ্যুল্ডশিং অদু কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎনা কেন্সেল তৌখ্রবনি। মখা তাবা দাইমন্দ লিগকী কম্পিটিসন খরসু রোম, ষ্টোকহোল্ম, লোজেন অমসুং ব্রুসেলদা পাঙথোক্কদৌরি। অদুবু চাইনাগী সিটি অমদা পাঙথোক্কদবা অদুগী মতাংদদি অরেপ্পা অমা লৈত্রি। হায়রিবা মখা তাবা দাইমন্দ লিগ কম্পিটিসনশিং অদু ওগষ্ট ২৩দগী হৌরগা ওক্টোবর ১৭ ফাওবা চত্থগদৌরি।

# রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ফাইনেলদা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সকা লম্বা তৌনরগনি



প্রাগ, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সী): মমাংদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙল্লম্লবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা প্রাগ ওপন দব্লিয়ু টি এ টেনিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গল ফাইনেলদা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সকা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা সেমিফাইনেলদা প্রাগ ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী সাইমোনা হালেপনা অতোপ্পা মহাক্কী লৈবাক বলগেরিয়াগী শান্নরোয় ইরিনা কামেলিয়ানা বেগুগা লম্বা তৌনবদা সেট ২-০দা মায় পাকখি। অহানবা সেট অদু নাকল অনীমক্তগী য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা থেংনরক্তুনা গেম ১২ শান্নবা লোইশিনবা ফাওবদা নাকল অনীমক গেম ৬-৬ মান্নদুনা লৈনখিবদগী ট্রাই ব্রেক শান্নখি। ট্রাই ব্রেক অদুদা সাইমোনা হালেপনা বেগুবু পোইন্ট ৭-২দা থোইদুনা অহানবা সেট অদু মহাক্না লৌখি।

অনীশুবা সেটতা ইরিনা কামেলিয়া বেগুগী সর্ভিস গেম অমা হালেপনা ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী অমদি মহাক মশামক্কী সর্ভিস গেম অদু হোল্ড তৌদুনা শান্নবা ঙম্বনা মরম ওইদুনা সেট অদু মহাক্না ৬-৩দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখিবনি।

মহাক্না ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয় অদু বেলজিয়মগী টুর্নামেন্ট অসিদা অহুমশুবা সিদেদ ওইখিবী এলিজ মার্টেন্সনি। মার্টেন্সনা মহাক্কী সেমিফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্মু লৈবাক জেক রিপব্লিককী শান্নরোয় কৃষ্টিনা প্লিস্কোভাবু অকনবা লম্বা অমদা ৭-৫, ৭-৬ (৭-৪)তা থোইদুনা হয়েং ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসকী কাঙলূপ্তা য়ূম্মু লৈবাক জেক রিপব্লিককী কৃষ্টিনা প্লিস্কোভা অমসুং এল রাদেকোনা রোমানিয়াগী মোনিকা নিকুলেসকু অমদি রালুকা ওলারুগী প্যেরগা ফাইনেল শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ প্যের ওইখিবা প্লিস্কোভা অমদি রাদেকোনা মখোয়গী সেমিফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী অরানসা রুস অমদি স্লোভেনিয়াগী তামারা জিদানসেকপু ৬-৩, ৩-৬, ১০-৪দা থোইরম্বনি। অমরোমদা, রোমানিয়াগী প্যের মোনিকা নিকুলেসকু অমসুং রালুকা ওলারুনা সেমিফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ প্যের ওইখিবা জেক রিপব্লিককী বারবারা ক্রেজিকোভা অমসুং কেটরিন সিনিয়াকোভাবু ৭-৬ (৭-৪), ৫-৭, ১০-৫দা মায়থীবা পীরমখি।

য়ু এস এদা পাঙথোকপা অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লেসিংটন ওপনগী সিঙ্গল কাঙলূপ্তা স্বিজরলেন্দগী জিল টেকমান ফাইনেল য়ৌখ্রে। মহাক্না ঙসি য়ু এস এগী সেলভি রোজরসপু ৬-৩, ৬-২দা থোইরম্বনি। ঙসি অথেংবদা য়ু এস এগী শান্নরোয় অনী জেনিফর ব্রাদি অমসুং কোকো গোফকা অনীশুবা সেমিফাইনেল অদু লম্বা তৌনরগনি।

# ইন্দিয়াগী ওলিম্পিকতা ক্বালিফাই ওইবগী তাঞ্জা লৈরিবা স্বিমর অহুম দুবাইদা ট্রেনিং হৌরগনি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২১দা ক্বালিফাই ওইবগী খূদোংচাবা লৈরিবা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা স্বিমর অহুম য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী সিটি দুবাইদা ট্রেনিং চত্থনবা অয়াবা পীখ্রে।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা বি ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন ফংলবা ইন্দিয়াগী স্বিমরশিং মার্চ থাদগী স্বিমিং পুলদা কুমদুনা ট্রেনিং ফংদনা লাকখিবনি। অতোপ্পা লৈবাকশিংগী স্বিমরশিংদি মখোয়-মখোয়গী লৈঙাক্না ট্রেনিং চত্থবা য়াহনখ্রবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী ওইনদি হৌজিক-হৌজিক অতোপ্পা শান্নবগী দিসিপ্লিন খরখক নৎতনা ট্রেনিং চত্থবগী খূদোংচাবা অদু স্বিমিংগী ওইনদি ফংদ্রিবনি।

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ফ্রী ষ্টাইল স্বিমর ভিরধৱল খাদে চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাদা ট্রেনিং ফংলক্তবনা মরম ওইদুনা মশান্না অসিদগী পোত্থারগে হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পীরদুনা দুবাইগী এক্বা নেসন স্বিমিং একাদেমিদা মথং থাগী অহৌবা চয়োলদগী থা ২গী ওইবা ট্রেনিং কেম্প অমা চত্থগদৌরিবা অদুদা ভিরধৱল খাদে (মিটর ৫০গী ফ্রীষ্টাইল), শ্রিহরি নতরাজ (মিটর ১০০গী বেকষ্ট্রোক) অমসুং কুশাগ্রা রাৱট (মিটর ৪০০গী ফ্রীষ্টাইল)না শরুক য়াগদৌরিবনি। থা অনীগী মতম অদু দুবাইগী এক্বা নেসন স্বিমিং একাদেমিদা কোচ অমগা য়াওনা স্বিমর অহুম অসি ট্রেনিং চত্থগদৌরিবনি হায়না স্বিমিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল মোনল চোকসিনা ফোঙদোরক্লি।

ট্রেনিং অদুগী চাওরাকপা শেনফম অদু থা ২গী ওইনা লুপা লাখ ৩৫ রোম ওইগদৌরি।

নাকল অমরোমদা, বি ওলিম্পিক ক্বালিফিকেসন ফংখ্রবা সাজন প্রকাশ (মিটর ২০০গী বটরফ্লাই) থাইলেন্দদা ট্রেনিং চত্থরি। লোয়ননা মিটর ৮০০গী ফ্রীষ্টাইলদা অরিয়ান মখিজা অমদি অদভেট পাজে য়ু এস এদা প্রেক্টিস তৌদুনা লৈরি।

# স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফিট ইন্দিয়া য়ুঠ ক্লব লোঞ্চ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা লৈবাক অসিদা ঙসি ৭৪রকশুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম পাঙথোকপগা মরী লৈননা নহাশিংগী মরক্তা হকচাং ফনা লৈননবগী পান্দমদা ফিট ইন্দিয়া য়ুঠ ক্লব লোঞ্চ তৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মমাংদা হৌদোকখিবা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টকী শরুক অমা ওইনা ঙসি রিজিজুনা ফিট ইন্দিয়া য়ুঠ ক্লব হৌদোকখিবনি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা নহা ওইরিবশিংগী মরক্তা হকচাং ফনা অমদি খিংনা লৈবগী কান্নবা অদু ফংহন্নবগীদমক্তা এৱেয়রনেস পীবগী থৌরম ওইগদৌরিবনি। লৈবাক অসিগী ব্লোক খূদিংমক্তা লৈরিবা য়ুঠ ওর্গনাইজেসনশিং, স্কাউট এন্দ গাইদ, এন সী সী, নেসনল সর্ভিস স্কিম অমসুং নেহরু য়ুব কেন্দ্র সঙ্ঘথনগী ভলন্টিয়র লাখ ৭৫ রোম্না হকচাং ফনা লৈনবগী ওইবা ফিট ইন্দিয়া য়ুঠ ক্লব অসি শেমগদৌরিবনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী চেরোল অমদা দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিট অমগী মখাদা লৈগদৌরিবা ক্লবশিংনা মখোয়-মখোয়গী মফম অদুদা লৈবা মীওইশিংদা নোংমদা পুংখায় অমদগীনা পুং ১ ফাওবগী মনুংদা হকচাং ফনা লৈনবগী শাজেলশিং চত্থহন্নবা এৱেয়রনেস পীগদৌরি। ক্লবশিং অসিনা শীন্দুনা স্কুল অমদি লোকলগী লূপশিংদা চহী ১গী ওইনা থা ৩/৩গী মনুংদা কম্যুনিটি ফিটনেস প্রোগ্রাম অমমম্ শীনগদৌরি।

রিজিজুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা হকচাং ফবা অমদি খিংনা লৈবা মীওই অদুনা লৈবাক অসিদা মতেং পীবা ঙমগদৌরিবনি। লোয়ননা অতোপ্পা মীওইশিংনা মতেং নীরকপা মতমদা মখোয়না মতেং পাংবা ঙমগদৌরিবনি হায়খি।

মীওই বিলিয়ন ১.৩ লৈবা লৈবাক অসিদা নহা ওইরিবা ভলন্টিয়র লাখ ৭৫ লৈরবনি। অথুবা মতমদা ক্রোর ১ য়ৌরগনি। হায়রিবা ক্রোর ১গী পাঙ্গল অসিনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সিটিজন ক্রোর ৩০ মতেং পীবা ঙমগদৌরিবনি। ঙসিদগী হৌখিবা ফিট ইন্দিয়া য়ুঠ ক্লবনা ফিট ইন্দিয়া ফ্রীদম রনবু হেন্না পাম্নহন্নবা চহী অসিগী ওক্টোবর ২ ফাওবা ক্লবশিং অসিনা মখোয়গী অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংদা লমজেল চেনবগী কান্নবা ফংহনগদৌরি।

# কৱাসাকি ফ্রন্টেলনা কোন্সাদোর সাপোরোবু ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা মখা তানা টুর্নামেন্ট অসিগী টেবলদা মাংজিল থারি



টোকিও, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সী): জপানদা পাঙথোকপা জে লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১০শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা কৱাসাকি ফ্রন্টেলনা কোন্সাদোল সাপোরোবু পাঞ্জল ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পূন্না পোইন্ট ২৮ ফংলগা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

ঙসি সাপোরোনা য়ূম্মু ওইদুনা শান্নখিবা মেচ অদু অহানবা হাফতা লম্বা য়াম্না মান্নখি। পুংখায় অমা ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নদনা লৈখি। ৩৫শুবা মিনটতা কৱাসাকি ফ্রন্টেলগী মায়কৈদগী ৱাই ৱাকিসাকানা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট এস কুরুমায়ানা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা য়ূম্মু ক্লব সাপোরোবু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। মখা তারকপা মিনট ১০ রোম অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী অহানবা হাফ অদু ১-০দা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতদি কৱাসাকিগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়বা ঙল্লকখি। ৫০শুবা মিনটতা এম য়ামানেনা ফংখিবা বোল অমা য়াম্না ফজনা খায়দোরকপদা কেমিটোমানা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অহুমশুবা পাঞ্জল অদুসু অথুবা মতমদা এল দামিয়াওনা ৫৫শুবা মিনটতা চনখি।

পাঞ্জল অহুম শোত্থরবা কোন্সাদোল সাপোরোগী শান্নরোয়শিং খূৎ হনবা ঙমখিদে। ৬৩শুবা মিনটতা মখা তানা কৱাসাকি ফ্রন্টেলগী শান্নরোয় আর হাটাটেনা পাস তৌরকপা খূদোংচাবা অদু টিমমেট কেমিটোমানা চন্দুনা মশাগী অনীরকশুবা অদুগা টিমগী ওইনা মরিরকশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

কোন্সাদোল সাপোরোগী মায়কৈদগী সী সোংক্রাসিননা পাস পীরকপা বোল অমদা টিমমেট জে বোথ্রোইদনা ৭৯শুবা মিনটতা শোত্থখিবা পাঞ্জল ৪গী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু টিম অদুগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল হন্দোকপগী খূদোংচাবা ফংদ্রিঙৈ কৱাসাকি ফ্রন্টেলগী শান্নরোয় ৱাই কোবায়াসিনা পাঞ্জল ২ থংনা-থংননা ৮৭শুবা অমদি ৯০শুবা মিনটতা চনবা ঙমদুনা মেচ অদু মখোয়না কোন্সাদোল সাপোরোবু ৬-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ২১ ফংদুনা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা সেরেজো ওসাকানা ঙসি কশিৱা রেজোলবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

টিম ১৮গী লম্বা অসিদা ১৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা য়োকোহামা এফ সীনা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরিবা সোনান বেলমেরবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা ১৬শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

মমাংদা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা এফ সী টোকিওনা ঙসি নাগোয়া গ্রেমপস টিমবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা পূন্না পোইন্ট ১৮ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন হাইগৎপা ঙমখি। লোয়ননা উরাৱা রোদ দাইমন্দকী টিমনা সেনফ্রিশ হিরোশিমাবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা পোইন্ট ১৭ ফংবগা লোয়ননা ৬শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি। ওইতা ত্রিনিতা ফুটবোল ক্লবনা য়োকোহামা এফ মারিনোজপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীবদগী পোইন্ট ১০ ফংবগা লোয়ননা ১৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎলকপা ঙমখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Kawasaki Frontale | 10 | 9 | 1 | 0 | 29 | 7 | 22 | 28 |
| 2 | Cerezo Osaka | 10 | 6 | 3 | 1 | 12 | 6 | 6 | 21 |
| 3 | Gamba Osaka | 9 | 6 | 1 | 2 | 14 | 9 | 5 | 19 |
| 4 | FC Tokyo | 10 | 5 | 3 | 2 | 15 | 12 | 3 | 18 |
| 5 | Nagoya Grampus Eight | 9 | 5 | 2 | 2 | 17 | 8 | 9 | 17 |
| 6 | Urawa Red Diamonds | 10 | 5 | 2 | 3 | 12 | 16 | -4 | 17 |
| 7 | Kashiwa Reysol | 10 | 5 | 1 | 4 | 21 | 16 | 5 | 16 |
| 8 | Sanfrecce Hiroshima | 9 | 4 | 1 | 4 | 11 | 6 | 5 | 13 |
| 9 | Vissel Kobe | 9 | 3 | 3 | 3 | 10 | 12 | -2 | 12 |
| 10 | Consadole Sapporo | 10 | 3 | 3 | 4 | 16 | 21 | -5 | 12 |
| 11 | Yokohama F.Marinos | 10 | 3 | 2 | 5 | 14 | 16 | -2 | 11 |
| 12 | Kashima Antlers | 9 | 3 | 1 | 5 | 13 | 14 | -1 | 10 |
| 13 | Vegalta Sendai | 10 | 2 | 4 | 4 | 11 | 16 | -5 | 10 |
| 14 | Oita Trinita | 10 | 3 | 1 | 6 | 10 | 18 | -8 | 10 |
| 15 | Shimizu S-Pulse | 10 | 2 | 3 | 5 | 13 | 17 | -4 | 9 |
| 16 | Yokohama FC | 10 | 2 | 2 | 6 | 12 | 22 | -10 | 8 |
| 17 | Sagan Tosu | 9 | 1 | 4 | 4 | 5 | 10 | -5 | 7 |
| 18 | Shonan Bellmare | 10 | 1 | 1 | 8 | 10 | 19 | -9 | 4 |

# লিভরপুলগী জুর্গন ক্লোপতা প্রিমিয়র লিগ মেনেজর ওফ দ সিজনগী মিংথোল পীখ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সী): লিভরপুলগী জুর্গন ক্লোপতা প্রিমিয়র লিগ মেনেজর ওফ দ সিজনগী মিংথোল থাংজ নুমীৎতা পীখ্রে। চহী ৩০গী মনুংদা মর্সিসাইদ ক্লব অসিবু লুচিংলগা অহানবা ওইনা মখোয়গী টোপ ফ্লাইট টাইটল ফংহনখিবগীদমক মহাকপু মিংথোল অসি পীখিবনি।

লিভরপুলনা মখোয়গী লিগ মেচ ৩৮ শান্নখিবগী মনুংদা ৩২ মায় পাকখিবগা লোয়ননা মেচ ৭ শান্নগদবা ৱাৎলিঙৈদা ক্লব অসিনা পোইন্ট ৯৯ ফংদুনা টাইটল অসি লৌবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ৫৩ শুরবা জুর্গন ক্লোপনা এৱার্দ অসিগীদমক চেলসিগী ফ্রেঙ্ক লম্পার্দ, লৈচেষ্টর সিটিগী মেনেজর ব্রেন্দন রোদজর্স অমসুং সিফিল্ড য়ুনাইটেদকী কোচ ক্রিশ ৱেল্ডরবু মায়থীবা পীরমখি।

জর্ম্মন মচা ক্লোপনা হৌখিবা সিজনদা মঙারক হন্না মেনেজর ওফ দ মন্থ এৱার্দ ফংখি। মহাক হৌখিবা থাদসু লিগ মেনেজরস এসোসিএসন (এল এম এ)গী মেনেজর ওফ দ ইয়র মিংথোল পীখিবনি।

# কার্লসন অমসুং নাকামুরা ফাইনেলগী সেট অমমম্ মায় পাক্লরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সী): মেগনস কার্লসন চেছ টুর ফাইনেলসতা মহাক্কা লম্বা তৌরিবা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নাকামুরাগা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেট অদু মহাক্না থোইদুনা সেট ৭কী ফাইনেল অসিদা শান্নরোয় অনীমক সেট অমমম্ মায় পাক্লরি।

নীংশিংবা য়াই, ঙরাং শান্নখিবা অহানবা মেচতা য়ু এসকী হিকারু নাকামুরানা মেগনস কার্লসনবু পোইন্ট ২.৫-১.৫দা থোইদুনা কার্লসনবু মহাক্না মাংজিল থাবা ঙমখিবনি। ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেট অদুদা নাকল অনীমক্তগী অকনবা লম্বা থেংনখি।

অহানবা গেমদা কার্লসননা অঙৌবা মচু পায়রগা শান্নরকপা অদুদা নাকামুরানা অমুবা মচু পায়রগা মুভ ৪৫দা গেম অদু থোইখি। অনীশুবা গেম অদু নাকামুরানা অঙৌবা মচু পায়দুনা এটেক চত্থরকখিবা অদুদা শুপ্নগী মুভ ১৪দা শান্নরোয় অনীনা মায় পাকপা য়াবগী লম্বেল ফংলরোই খনবদগী দ্রো শান্নখি। অহুমশুবা গেমদা কার্লসননা অঙৌবা মচু পায়রগা শান্নরকপা অদুদা মুভ ৫৯ মতুংদা নাকামুরা খোঙচৎ ফজবা লৈরক্তবদগী মায়থীহৌখি। পোইন্ট ১.৫-১.৫দা মান্নদুনা লৈরম্বদগী মরিশুবা অমদি মঙাশুবা গেম অদু দ্রো চৎতুনা ২.৫-২.৫দা মান্নখি। অদুবু ৬শুবা গেমদা কার্লসননা মুভ ২৯দা থোইদুনা সেট অদু লৌবদগী সেট অমমম্ মান্নরিবনি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**অমরজিৎ খাঙেম্বম, চিংমৈরোং**

কোভিদ-১৯ লাম্থেংনরিবা লানফমশিগী মরক অসিদা ময়াই কাবা দ্রগ ললোনবগী ৱাফমসিসু ইস্যু অমা ওইরক্লি। তশেংনা নোংমগী শুরগা চাবা ইমুং কয়াদি চাকখুম মৈ মুৎপগী ফীভম ফাওবা লাকপা য়ানা লৈরে। মনিং তম্না থবক শু-নোমদুনা হিংজরম্বা লাইরবা কয়া থবক শুবা নোম্বা য়াদবনা লায়রবশিংদনা হেন্না অচৌবা অৱাবা ওইরে। চান-থক্লবা পোৎলমশিংগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলকপনা অচৌবা চৈথেং পীরে। লোয়ননা ময়াই কাবা চিঙ্গাক য়োনবগী থবক হেনগৎলকপা অসি লমদম অসিগী খুদোংথিনিংঙাইনি। সী এমনা চানা-থক্লবা পোৎলমশিং মমল হেনগৎপা য়ারোই হায়না থোকখিবা ওর্দর অদু থবক ওইনা পাঙথোকপগী মমি তাবসু উদ্রে। ময়াই কাবা চিঙ্গাক ললোনবদা লৈঙাক্কী মেছিনরি য়াওরকপগী মতাংদা সোসল মীদিয়াদা ভাইরল ওইখিবগী থৌদোকসু লৈখ্রবনি। থিংলিবনা কনানো, ৱাকৎফমনা কদাইদনো? য়ূম মৈ চাকখ্রবা মতুং ইমুং অমনা থেংনহৌরিবা অৱা মৈশাগুম কোভিদ-১৯ লাইচৎ লোইখ্রবা মতুংদা লমদম অসিগী লায়রবা মীয়াম্না থেংনগদৌরিবা অৱাবদি পাক লোয়গদবা নৎত্রে। শাথিরবা লাইচৎ অসি ঙাকথোক্তবসু য়াদে। লোয়ননা লৈবাক অমা চাওখৎপদা শিন্মি য়াওদনা চাওখৎখিবা লৈবাক লৈতবনি হায়না পূম্নমক্না নীংশিঙবিবসু ফৈ হায়না খঞ্জে।



**ওইনাম কুঞ্জেশ্বর, লাংজিং অচৌবা**

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা হান্না ওইরমদবা ফীভম অমদা লৈকায়-লৈকায়শিংদা শন্দোরকপদগী অকিবা অমা ওইহল্লে। মরম অদুনা লৈকায়গী নহারোলশিংনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবনি হায়দুনা শম্বল খাদুনা মী চঙলকপা থীংলে, চঙলকপা মীওইশিংগী মমিং রেজিষ্টরদা ইশিল্লে। অহৌবা মখোলগা লোয়ননা মাইকতা য়ূমদগী মপান থোকপীগনু হায়না লাউরি। মীতোপ চঙবিরক্কনু হায়না চেথেৎনখ্রে। অমরোমদা লায়না অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা থৌশাদবা মানবগী মমিসু তাদবা নত্তে। পোজিটিভ ওইরে খঙলবসু মীশক অমবু মতম চানা লৌখৎপা লাকপীদবসু য়াওরি। মীওই মশানা চিংনজবদগী টেষ্ট তৌবিয়ু হায়রসু তৌবিদবা অমদি টেষ্ট তৌখ্রবসু মতম চানা টেষ্টকী রিজল্ট পীবিদবা পাউসু লেপ্পা লৈতনা তারি। লৈবাক মীয়াম্নসু চৎন-কাংলোন ঙাক্তনা পংচৎতা চৎনবসু য়াওরি। পোজিটিভ ওইরম্বদগী নগেটিভ ওইরবা মীওইশিংদা লান্না উবিবা কয়াসু লৈরি। চান-থক্লবা লৈতবগী অৱাবনসু খম থেংনা ৱানরে। মরম অদুনা পূম্নমক অসিদগী কোকপা ঙম্নবা লৈঙাক অমদি পূম্নমক্না ৱাখল তামিন্নদুনা থবক তৌবা মথৌ তাই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com / hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com